ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses
# হুইয়েন লানপাউ
The Largest Circulated Newspaper in Manipur



থৌবাল কৈথেলদা লৈবা ওল ইন ৱান কোচিং সেন্টরগী অনীশুবা মপোক কুমওন থৌরম পাঙথোকপগা লোয়ননা সঞ্জেনবম দামুদোর মেমোরিএল ট্রষ্ট ফোর এদ্যুকেসনেল এন্দ কলচরেল দিভেলপমেন্টনা মেরিটোরিয়স এৱার্দশিং য়েন্থোকখিবা

থম্মোয় পাউদম : স্বর্গ? নৎত্রগা নোরোক? কদোমদনো... লামায় ২
লামায় ৪ পাম্বীগী মনাদা হার পীবা (ফোলিয়র এপ্লিকেসন) শীজিন্নবা নাপী হীদাক চেকশিন্না শীজিন্নসি লামায় ৫
লামায় ৬ অসাম রাইফলসনা নাকল নাম্মদা লেপ্পগা থবক তৌই...
এম জি এন আর ই জি এস গী মখাদা সেন্টরনা ৱেষ্ট বেঙ্গলদা ... লামায় ৯
লামায় ১২ পেনাল্টি শুটআউটতা ইন্দিয়ানা গ্রেট বৃটেন মায়থীবা...

লৈমকোল খোর্জেকোল (লৈকোল) না সাহিত্য একাদেমিগা খুৎশম্নদুনা দি আই পি আরগী ওদিটোরিয়মদা পাঙথোকখিবা কন্টেম্পররি ৱিমেন্স লিটরেচর ইন মণিপুরীগী খন্ন-নৈনবা থৌরম হৌদোকপগী মৈরা চুখৎপা



Vol. 48, Issue No. 125 | নিংথৌকাবা, থৱানগী নোংমা পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১২ | HUEIYEN LANPAO | Monday, August 05, 2024, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.50

## লৈঙাক্লা লান লোইদুনা 'নোর্মেলসি' পুরক্লে হায়বা ৱাফম ফয়েংগী খুঙ্গাশিংনা য়ানীংদ্রি

# ফয়েং খুল পুং ২৪ চূপ্পা ঙাক্লি, কুকিশিংনা ফয়েং লৌশিনখ্রবদি ইম্ফাল য়ৌরকপদি কুইরোই হায়দুনা ঙাক্লিবনি হায়রকখি

হেমচান্দ নিংথৌজম

**ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৪ (ঐচএনএস) :** মমাঙ থাগী ৩১দগী হৌদুনা চথরক্লিবা ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী ৬শুবা মীফমগী হুম্নি চল্লকপা নুমিৎ থা অসিগী ২দা মণিপুর লৈঙাক্কী হোমগী থবকসু পুরিবা হাউসকী লিদর চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টতা মহৌশাগী তংদু লৈতাবা ফীভম হঞ্জিল্লক্লে হায়না নুমিৎ অদুগী নুংথিলগী সেসনদা হাউসতা ফোঙদোকখিবা নুমিৎতুগী নুমিদাং মক্তদা জিরিবামগী লালপানিদা মীতৈগী য়ূম অনী মৈ থারমখিবদা নত্তনা ঙরাং নুমিদাংদনা য়াইঙংপোকপীগী শান্তিপুরদা কুকি টেররিষ্টশিংনা বোম অমসুং নোংমৈ কাপশিন্দুনা অকনবা লান চথরকখিবগা ইরোয়ননা চীফ মিনিষ্টরনা



পাউচে অসিনা কুকি টেররিষ্টশিংনা মতম অমদা হেক্তা লান্দারকপা য়াই মীপাইরিবা ফয়েংগী খুঙ্গাশিংগা উনবা

এসেমব্লিদা ফোঙদোকখিবা ৱাফম থাজদ্রিবা ফয়েংগী খুঙ্গাশিংদি পুং ২৪ চূপ্পা খুল ঙাক্লম্লি।

মে ৩, ২০২৩দগী হৌরক্লগা হৌজিক ফাওবদা মণিপুর অমসুং ইন্দিয়া লৈঙাক্লা চোঙথোক্তুনা খামদবদগী লেপ্তুনা চথরক্লিবা মণিপুরগী তমথীরবা ...মখা লমায় ৩ কলম ২

# ঈরাংগী হৌরকফম থিগৎসি হায়রবদি ইন্দিয়া লৈঙাক্কী ফম্নাইবশিং হান্না থিগৎকদবনি : অমুকো

## 'মণিপুর থুগাইনবা ইনশিনবদা চৎলিবা ফূরুপশিংগী খোঙফম হন্দোকপীয়ু'

## অমুকোনা শীন্দুনা ২৭শুবা মণিপুর ইন্টিগ্রিটি দে পাঙথোকখ্রে




**ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৪ (ঐচএনএস) :** মণিপুরগী ঙমখৈগীদমক ফৈগাক ফৈনা লেপ্পল্লিবা ওল মণিপুর য়ুনাইটেদ ক্লবস ওর্গনাইজেসন (অমুকো) না অদুঙৈ কুমজা ১৯৯৭কী ওগষ্ট ৪দা মণিপুরগী অপূনবা শক্তম কায়বা য়ারোই, ইন্দিয়া লৈঙাক্লা মণিপুরদা খুন্দারিবা কাঙলূপ ফূরুপ ময়ামগী মরক্তা খাইবুং-খাইবুং তানবা শিনবা য়ারোই হায়দুনা মীয়ামগা লোয়ননা চৎখিবা অচৌবা খোঙচৎ অমসুং খোঙচৎ অদুগী মীফম্না লৌখিবা ৱারেপ্পু নীংশিংলদুনা মথংগী চহী ১৯৯৮দগী লেপ্তুনা পাঙথোরকখিবগুম ঙসিসু ২৭শুবা মণিপুর ইন্টিগ্রিটি দে লূপ অসিনা শিন্দুনা ক্বাকৈথেল অখাম লৈকায় কম্ম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরমগী অহানবদা ঙসি অয়ুক পুং ৯.৩০ তারকপদগী মপান কাংজৈবুংগী মমাঙ থংবা শরুক্তা লৈবা ইন্টিগ্রিটি পিল্লরদা লৈ-শু কৎখি।

থৌরম অসিদা শরুক য়াখিবা অমুকোগী প্রসিদেন্ট ফৈরোইজম নন্দো লুৱাংনা হায়, অদুঙৈ কুমজা ১৯৯৭কী ঙসিগী নুমিৎ অসিদা মণিপুরগী মীওই লাখ ৫ হেনবনা ...মখা লমায় ৩ কলম ১

# সেপ্টেম্বর ফাওবদা লাঞ্জেন্নরিবশিং ময়ূমদা হঞ্জিলহন্দ্রবদি খোঙজং চঙশিল্লগনি : নুপী সমাজ, ইচল, তম্মী-চীংমী

**ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৪ (ঐচএনএস) :** মথং থা সেপ্টেম্বর ফাওবগী মনুংদা রিলিফ কেম্পশিংদা চঙজফম লৌরক্লিবা লাঞ্জেন্নরবশিং ময়ূম-ময়ূমদা হঞ্জিলহন্দ্রবদি মীয়ামগা লোয়ননা খোঙজং চঙশিল্লগনি অমসুং মরমদমদা রিফ্যুজি ওইরবশিং অসিগী ৱাকৎফমসি মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেম্বলিনি হায়দুনা নুপী সমাজ, ইচল অমসুং তম্মী-চীংমী হায়না খঙনরিবা নুপীশিংগী লূপ অহুম্না লৈঙাক্তা অকনবা ৱাফম থমখ্রে।

লম্ফেলদা লৈবা ওল মণিপুর ৱিমেন রিফোর্মেসন এন্দ দিভেলপমেন্ট সমাজ (নুপী সমাজ) গী লোয়শঙদা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফমদা লূপ অসিগী এদভাইজর কে ঐচ ইন্দুনা হায়, মরমদমদা রিফ্যুজি ওইরবা, ময়ূম-মকৈ অমদি লন-থুম পূম্নমক মাঙ তাক্তুনা রিলিফ কেম্পতা লৈরক্লিবশিংগী ৱাকৎফম অসি এসেম্বলিনি। ৱাকৎপা হায়বসি ঐখোয়গী হকনি। মসিদা করিগী শাউফম থোকপগে হংখি। এসেম্বলি হায়বসি মীহুৎশিংগী পূনফম্নি।




এসেম্বলিদা ৱাকৎচনবা লাকখিবদু মীওইশিং অদুগী হকনি হায়রদুনা মখোয়গী মায়োক্তা চথখিবা থৌওংশিং পেন্দে হায়খি।

মহাক্লা মখা তানা হায়, হৌজিক মণিপুরদা ...মখা লমায় ৩ কলম ৪

## পুং ৪৮গী মনুংদা সেন্ত্রেল ফোর্স লৌথোক্লগা ষ্টেট ফোর্স থমদ্রবদি উখ্রুল লম্বী থিংজিল্লগনি

### কুকি টেররিষ্টশিংগী লান্দাদা সনাশাবী অমসুং শবুংখোক খুনৌগী য়ূম ৬ অকায় অতোয় নংলে

**ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৪ (ঐচএনএস) :** ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চল্লিবা লম্লাই এ সীনা কোনশিল্লিবা শবুংখোক খুনৌ, সনাশাবী, থম্নাপোকপী, শান্তি খোংবাল মনীং চীং অমদি য়াইঙংপোকপীনচিংবদা দিপ্লোই তৌরিবা সেন্ত্রেল ফোর্সশিং (বি এস এফ, জাট রেজিমেন্ট) নচিংবশিং পুং ৪৮গী...মখা লমায় ৩ কলম ১



# হেঞ্জিল্লক্লবদি লৈঙাক্কী তৌফম থোকপা অদুম তৌগনি : সী এম



**ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৪ (ঐচএনএস) :** মণিপুরদা থোক্লিবা ঈরাং অসিগী খুদোংচাবা লৌরগা লৈঙাক্কী অমদি লন্নাই লোয়শঙ, কম্পেনি অমসুং লল্লোন ইতিক তৌবশিংদা য়ৈখায় থিনগাইবা কয়া পীবদা কয়াম কুইনা য়েংখিগদৌরি হায়না হোম মিনিষ্ট্রিনা হংলক্লে হায়রদুনা থৌওংশিং অসি হেঞ্জিল্লক্লবদি লৈঙাক্কী তৌফম থোকপা অদুম তৌগনি হায়রম্লে হায়না চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি শজিৱাদা লৈবা ববিনা স্পেসিএলিটি হোস্পিটালবু অথোইবা মীথুংলেন ওইনা শঙ্গারদুনা ফোঙদোকখিবনি।

মহাক্লা হায়, মমাঙ চহীগী মে ৩দগী থোরকখিবা ঈরাংসিগী খুদোংচাবা লৌরগা মীওই খরনা য়াম্না কা হেঞ্জিনবা থবক খরা তৌরক্লে। কম্পেনি, লল্লোন ইতিক তৌবা অমদি লৈঙাক্কী দিপার্টমেন্টশিং য়াওনা মহৈ তম্ফমশঙশিংদা য়ৈখাই থিনগাইবা কয়া পীরে। হোম মিনিষ্ট্রিনসু মসিগী মতাংদা কয়াম কুইনা য়েংখিগদৌরে হায়না হংলক্লে। মখোয়সু ইচা ইনাও ঙাক্তনি। লমদমসিদা থোক্লিবা লাইবক থীবা থৌদোক অসিদগী তঙাইফদনা চোঙথোরকখিবনি অদুবু য়াম্না হেঞ্জিল্লক্লবদি লৈঙাক্কী তৌফম থোকপা তৌগনি হায়রম্লে হায়খি।

মীয়ামগীদমক তৌরকপা লল্লোন ইতিক, লৈঙাক্কী লোয়শঙ অমসুং মহৈশঙ য়াওনা লন্নাই লোয়শঙ কয়াদা য়ৈখায় থিনগাইবা পীহন্নীংদে হায়খি।

ঙসি শঙ্গাখিব লায়েংশঙ অসিগী মতাংদা মহাক্লা হায়, হকচাং ফনা থম্বা হায়বসি খ্বাইদগী হেন্না তঙাইফদে। লমদমসিগী ...মখা লমায় ৩ কলম ৬

# নুমিৎ ৫নিগী মনুংদা ওর্দর হন্দোক্ত্রবদি খোঙজং চঙশিল্লগনি : দেসাম

**ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৪ (ঐচএনএস) :** লৈবাক অমা, খুন্নাই অমা চাওখৎপা হায়বসি লৈবাক অদুগী চানবা পোখোক মরাং কায়রবা মতমদা ওইগদবনি হায়রদুনা ইরমদম অসিসু পোখোক কয়া পুথোক্লবা হোৎনরি লোয়ননা হৌজিক চাওখৎলকপগী মতুংইন্না সাইন্টিফিক ওইবা মওংদা লৌউ-শিংউ তৌনরক্লি। মরম অসিনা এগ্রিকলচরবু লাইরিক ওইনা তম্নরিবনি। অসিগুম্বা তানফম অসিদা সেন্ত্রেল এগ্রিকলচরেল য়ুনিভর্সিটি অসি য়াম্না মরু ওইবা মহৈকোল অমনি অদুবু লাইবক থীবদি মহৈকোল অসিনা হৌখিবা নুমিৎ খরনিগী মমাঙদা মীদিয়াদা অরানবা থবক খরা তৌরে হায়বগী পাউ থেংনরে হায়না দেসামগী প্রসিদেন্ট ময়েংবম সোমোরজিৎনা ঙসি নুংথিল পাউমীশিংদা ফোঙদোকখ্রে।

মহাক্লা হায়, সী এ য়ুগী দিন ওইরম্বা প্রোফেসর ইন্দিরা সরাংথেম অসি জুলাই ৩১, ২০২৪দা চহী ৬৫ শুরকপদগী থবক্তগী পোথাখ্রবনি অদুবু ঙাক্লিবদি রিটাইয়র্দ তৌবা নুমিৎ অদুমক্তদা ওজা অসি থা ৬কী ওইনা রি-এমপ্লোয় তৌরে হায়দুনা রেজিষ্ট্রারনা থোকখিবা ওর্দর অদুগী অরোইবদা



'এগজিষ্টিং রেস্পোন্সিবিলিটিজ' হায়না পল্লকখিবা অসি ময়েক শেংনা হায়ফম থোকই হায়খি।

মরম অসিনা কন্ট্রোভর্সিএল ওইহল্লিবা ওর্দর অসি নুমিৎ মঙানিগী মনুংদা হন্দোক্ত্রবদি অদুগা রিটাইয়র্দ তৌরবা ওজাদা এদিসনেল চার্জ পুহনবা তারগদি মহৈরোয়শিংনা অকনবা খোঙজং চঙশিল্লগনি হায়বগা লোয়ননা য়ুনিয়ন মিনিষ্টরদসু ৱাকৎলগনি হায়খি।

# লৈঙাক্লা পীরকপা চেঙনা ইশুশিং মবুক থল্লরোই খনবদগী চাক চাদনা তোকখিবা নুমিৎ মশীং য়ামখি : কোঞ্জেংবম ওংবী ইবেনি

**রিলিফ কেম্পতা লৈরক্লিবশিংগী**
**হকথেংনবা পাউদম**
**ফৌগাকচাও ইখাইগী খুঞ্জা**

(ঙরাংগী মখা...)

মশাগী চহী ৫৯ রোম শুরবী কোঞ্জেংবম ওংবী ইবেনিনা মখা তানা হায়, লান হৌরকখিবা নুমিৎ অদুগী নুংথিল পুং ৫ রোম তারকপা অদুৱাইদগী ঐখোয়গী লৈকায়গী লৌবুক লোমদগী কুকিশিংনা নোংমৈ কাপ্পা হৌরকখি। মদুদগী ঐহাক্তি মীপাইবগী অনাবা হৌদুনা কৈনৌদগী ইমৌনুপীগী মপামদা ইমৌ অমদি ইশুশিংগা লোয়ননা থা অমমুক লৈখি। ঈরাং হৌরক্তুনা নোংমৈ কাপ্লক্লবসু নোংমদু খক্তং তৌরগা লেপখিগদ্রা খন্দুনা ইমৌনুপীগী মপামদা লৈখিবনি অদুবু মখা তানা লেপ্তুনা নুংতি নুমিৎ খুদিংগী নোংমৈ কাপ্লকপগী পাউ খুল ঙাক্লিবা ইচানুপানা হায়রকপদগী মীগী য়ূমদা সুম লৈশিল্লকখিবদু লৈনদবা ঙাক্তা ওইবনিনা নুংঙাইররোই খনবদগী রিলিফ কেম্পতা লাক্তুনা লৈরকখিবনি।

ইশুশিংদি অঙাং অপীকপা ঙাক্তনিনা নারক-য়েক্লকপসু য়াওরকপদগী ইশু অনীদি সাইতোনদা দি সীনা লেম্না চান-থক্লবা পূম্নমক পীবিদুনা মফম অদুদা লেম্না মহৈ মশীন তমহন্দুনা লৈরি। অদুবু ইশুনুপী অহলনা ক্বাকৈথেলদা মহৈ তমহন্দুনা থল্লি। ইশুশিংবু য়ূমদা নীংথিজনা মমা-মপানা শেন্নবীদুনা মহৈ-মশীন তমজগদবদু তত্তনা নোংমৈ কাপ্লরকপনা অঙাংশিং অসিদা অকিবা কয়া পোকখিবনা কোক্কী লায়না নারকপা য়াই খনবদগী ঈরাং খরা নেম্বা মফমদা থম্বনি। মে ৩গী নুমিৎতুদসু নোংমৈ কাপ্পা হেনমল্লক্তুনা চেনবা ঙমহৌদদুনা সরকতা শিরবসু শিরসনু খন্দুনা ঐহাক ফমদুনা লৈখিবনি। অহিং অদুমা লোৎলগা নোংঙাল্লগা পুলিস ষ্টেসনদা চেনশিন্দুনা ক্বাক্তা ফাওবা থিনবীরকখিবনি। মদুগী মতুংদনা মোইরাংগী রিলিফ ...মখা লমায় ৩ কলম ৭



HL-B/8984/5